# ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা মফম ৪০দা ব্লেক মনি থিবা হুম্বগী থবক চণ্থখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি)না ঙসি লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম ৪০ রোমদা ব্লেক মনিগী খোঙ্গুল লীরদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

অমরোমদা, লোক সভানা ঙরাং মরুওইবা বিল অমা পাস তৌদুনা ব্লেক মনিবু লিগেলাইজ তৌনবগী খুদোংচাদবা তাঞ্জা অমা পীখ্রে। চয়োল ২ রোম মরুওইবা ৱাফম অমত্তা খন্নবা ঙমদনা লাকখ্রবা মতুংদা লোক সভানা টেক্সেসন লো (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) বিল পাস তৌখিবনি। ওপোজিসন্না দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা চরাংনবা থোকহল্লকখ্রবসু য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা পুখৎলকখিবা বিল অদু ভোইস ভোটতা পাস তৌখি।

দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা বেঙ্কশিংদা থমজিল্লকপা শেনফম পূম্নমক টেক্স লৌনবগী ৱাফম য়াওবা বিল অদু লোক সভাদা হেক পুখৎলকপগা দিবেট তৌদনা মিনিট খরগী মনুংদা পাস তৌখি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই খরনা চৎনখিদ্রবা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপীগী নোটশিং অরানবা মওংদা এক্সচেঞ্জ তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপদগী গভর্ণমেন্টনা তঙাইফদনা টেক্সেসন লো (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ হাউসতা পুখৎপনি। এক্ট অসিগী মতুং ইন্না অরানবা মওংদা শেল শিন্দোক্লবা হোৎনরম্বা মীওইশিং ফারবদি চাদা ৬০ টেক্স থীহনবগা লোয়ননা পেনাল্টি ওইনা অহেনবা শেনফম খরসু থীহনগনি। মতৌ অসুম্না পুন্না চাদা ৮৫গী টেক্স থীহনগনি।

লোৎশিন্দুনা থল্লম্বা শেনফম পুকচেল শেংনা ফোঙদোরকপা তারবদি চাদা ৫০গী টেক্স থীহনবগা লোয়ননা সরচার্জ অমসুং পেনাল্টি ওইনা অহেনবা শেনফম খরসু থীহনগনি। অদুবু চাদা ২৫গী শেনফম খুদক্তা হন্দোক্কনি অদুগা চাদা ২৫ অমনা চহী ৪গী মতুংদা হন্দোক্কনি হায়রি। হায়রিবা শেনফম অদু শীজিন্নরগা গভর্ণমেন্টনা গরিব কল্যান কোসনচিংবা লায়রবশিংগী স্কিম কয়া পায়খৎকনি। মরম অদুনা এমেন্দমেন্ট অসি হাউসনা অয়াবা পীবিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা হায়খি, মীচম মীয়ামগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা ৱাফম ওইবা মরম্না বিল অসি খুদক্তা পাস তৌবা মথৌ তাই। বিল অসিগী মতাংদা দিবেট তৌবগী মথৌ তারবসু ওপোজিসন্না মদুগীদমক শেম-শাদুনা লৈতবা মরম্না খুদক্তা পাস তৌনবা হোৎনফম থোকই।

লোক সভাদা কোংগ্রেসকী লূচিংবা ওইনা লৈরিবা মালিক অর্জুর খার্গে অমসুং তৃণমুল কোংগ্রেসকী সুদিপ বন্দোপধ্যাইনা হায়খি, চপ মান্নবা ইস্যু ওইবা মরম্না দিমোনেটাইজেসন অমসুং ইনকম টেক্স এমেন্দমেন্ট বিলগী এদজোর্নমেন্ট মোসন পুন্না খন্নবদা অকায়বা লৈতে। অতেনবা মতমগী মনুংদা গভর্ণমেন্টনা নম্ফুদা বিল পাস তৌনবা হোৎনবগী থৌওং য়ানিংদে হায়না ওপোজিসন মেম্বরশিংনা ফোঙদোকখি। মদুদা অরুন জেটলি অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর এম ভেনকয়া নাইদুনা হায়খি মদুদি, চ্যেরগী অয়াবা য়াওরগা লৈবাক মীয়ামগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎপনি। খুদক্তা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা স্লোগান লাউদুনা হাউসকী ৱেল তম্না চঙশিল্লকখি। অদুবু ভোইস ভোটতা বিল পাস তৌখ্রবা মতুংদা নোংমগী ওইনা মীফম য়ৈথোকখি।

আই টি এমেন্দমেন্ট বিলগী মতুং ইন্না শেনয়েক চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা থমজিল্লকপা ফোঙদোক্তবা ইনকমগী চাদা ২৫ প্রধান মন্ত্রি গরিবি কলিয়ান দিপোজিট স্কিমদা থমজিনগদবনি। হায়রিবা স্কিম অদুদা থমজিনবা শেনফমগী শেন্দোই অমত্তা পীরোই। অদুবু চহী ৪গী মতুংদা হায়রিবা শেনফম অদু অমুক লৌথোকচবা য়াগনি হায়রি।

স্কিম অসিদগী লাকপা শেনফমশিং ইরিগেসন, হাউজিং, টোইলেট, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, প্রাইমারী এদ্যুকেসন, প্রাইমারী হেল্থ অমদি লাইবলি-হুদনচিংবা প্রোজেক্টশিংদা শীজিন্নগনি হায়না বিল অদুগী ওবজেক্ট এন্দ রিজনগী ষ্টেটমেন্টতা পল্লি।

অমরোমদা, নিতি আয়োগকী ভাইস চ্যেরমেন অর্বিন্দ পনাগরিয়ানা হায়খ্রে মদুদি, গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা দিমোনেটাই-জেসনগী থৌরাং অসিনা লৈবাক্কী ইকনমি ফগৎহনবা ঙম্লগনি।

সী আই আইনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা গ্লোবেল ইনর্জি দাইলোগকী নাকোয়ননা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, হৌগৎলকপদা মতম খরগী ওইনা মীয়াম্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরবসু মতুং তারকপদদি লৈবাক্কী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা দিমোনেটাইজেসন্না অচৌবা মতেং ওইনরগনি। মীয়াম্না বেঙ্কশিংদা শেল থমজিনবগী চাং ৱাংখৎলল্লি। মসিনা মরম ওইরগা কনাগুম্বা মীওইনা লন্নাই ওইবা মওংদা শেল ইনভেষ্ট তৌবদা ফাইনান্সল ইন্সষ্টিট্যুসনশিংগী খুথাংদা থবক তৌদবা য়াদবগী ফীভম লাল্লবনিনা লৈবাক্কী ইকনমিদা চাউনা কান্নবা ফংলগনি। বেঙ্কিং সিষ্টেমদা লুপা ক্রোর লাখ ৮ হেন্না চঙলল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# দিল্লিদা লৈচিল-নোংফাই থাংবদগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লুহল্লে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

দিল্লিদা ঙসি অয়ুক কা হেন্না লৈচিল-নোংফাই থাংবদগী লন্বীদা উবা ঙম্বগী চাং হন্থখিবা মরম্না মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লুহনখ্রে।

পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি অমদি উত্তর প্রদেশনচিংবা ইন্দিয়াগী অৱাং থংবা ষ্টেট খরদা লৈচিল-নোংফাই থাংবগা লোয়ননা ঈংবগী চাং হেনগৎলকখি। মফম খরদা খ্বাইদগী ঈংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ১১ ওইখি। লৈচিল-নোংফাই থাংবনা মরম ওইরগা দিল্লিদা গাড়ী থৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লুহনখি। মরুওইনা দিল্লি-নোইদা অমসুং দিল্লি-গুর্গাউন এক্সপ্রেস ৱেদা কা হেনবা মওংদা লৈচিল-নোংফাই থাংখি।

দিল্লিদগী পাইখিগদবা অমসুং অতোপ্পা মফমদগী দিল্লিদা পাইরক্কদবা ফ্লাইট কয়াসু লৈচিল-নোংফাই থাংবদগী মতম থেংথবা তাখি। ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লাক্কদৌরিবা নুমিৎ ৭নি দিল্লিগী মফম অয়াম্বা ময়াই ওইরপ্পদগীনা কা হেনবা চাং ফাওবদা লৈচিল-নোংফাই থাংগনি হায়রি।

হৌজিকসু দিল্লিগী নুংশিৎ মোৎপগী চাং অদুমক ৱাং লৈরি। দিল্লি ট্রাফিক পুলিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না নুংশিত্তা য়াওবা পার্টিকুলেট মেটর (পি এম) ১০ য়ৌবা মফম কয়ামরুম য়াওরি।

ঙরাংদি দিল্লিদা সেলসিয়স দিগ্রী ৯.৭কী চাংদা ঈংখ্রবসু লৈচিল-নোংফাই থাংখিদে। নিংথৌকাবা নুমিত্তা মফম অসিদা খ্বাইদগী শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ২৯.২ অমসুং খ্বাইদগী ঈংবনা সেলসিয়স দিগ্রী ১৩.৮ ওইখি।

ইখঙ খঙহৌদনা দিল্লিদা কা হেনবা মওংদা লৈচিল-নোংফাই থাংলকপদা অখঙ-অহৈশিং অঙকপা পোক্লখ্রে। মফম অসিদা নুংশিৎ শিৎপগী চাং পুংদা কিলোমিটর ৫ ওইরম্বদগী পুংদা কিলোমিটর ১.৮দা হন্থরকখি। এয়র টেম্পরেচরনা দিগ্রী ৪ হন্থরকখি।

লৈচিল-নোংফাই থাংদুনা উবা ঙম্বগী চাং ৱাংপা মরম্না ট্রেন অমসুং এয়র ট্রাফিক্তা অপনবা থোকহনখি। তোঙান তোঙানবা ট্রেন অমদি ফ্লাইট কয়ামরুম কেন্সেল তৌখি, খরনা মতম থেংথখি।



দিল্লি অমদি থংনরিবা পঞ্জাব, হরিয়ানা অমসুং উত্তর প্রদেশতা লৈচিল-নোংফাই থাংগনি হায়না মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা মাঙজৌননা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

সেন্টর ফোর সাইন্স এন্দ ইনভাইরোন-মেন্টকী রিসার্ছ এসোসিয়েট শম্ভাবি সুল্কানা হায়খি, দিসেম্বরগী অহানবা চয়োলদগী দিল্লিদা লৈচিল-নোংফাই থাংগনি হায়না থাজনখিবনি। অদুবু নবেম্বরগী অরোইবা চয়োলদা ইখঙ খঙহৌদনা কা হেনবা মওংদা লৈচিল-নোংফাই থাংলকপদা অঙকপা পোকই। হিমালয়ারোমদগী শিৎলকপা অঙৈংবা নুংশিৎ য়ৌরকপগা লোয়ননা নুংশিৎকী শাফু তপথরকপা অমসুং এয়র পোল্যুসন্না মরম ওইরগা দিল্লিদা কা হেনবা মওংদা লৈচিল-নোংফাই থাংবনি হায়রি।

ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ট্রোপিকল মেটিওরোলোজিগী প্রোগ্রাম দিরেক্টর ডো. গুফ্রান বেগনা এজেন্সীদা হায়খি, নুমিৎ নিনিরোম দিল্লিদা কা হেনবা মওংদা লৈচিল-নোংফাই থাংবা থেংনগনি।

অমরোমদা, সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সী পি সী বি)না হায়খ্রে মদুদি, দিসেম্বর ৩ ফাওবা দিল্লিদা কা হেন্না নুংশিৎ মোৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লখিগনি। নুংশিৎকী শাফু হন্থরকপগা লোয়ননা টেম্পরেচরসু সেলসিয়স দিগ্রী ১৩.৮ ওইরম্বদগী ৯.৭তা হন্থরকপা মরম্না মীয়ামদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লহল্লগনি।

সী পি সী বিগী এয়র ক্বালিটি ইনদেক্স (এ ক্যু আই) ২২৯ ওইরম্বদগী ৩৬৮দা খঙহৌদনা হেনগৎলকখি। নুংশিৎ ক্যুবিক মিটর অমদা অমোৎপা মাইক্রো গ্রাম ৪০০গী চাংদা য়াওবা মরম্না লৈচিল-নোংফাই থাংবগী থৌওং তোয়না মায়োক্লরকপা য়াই হায়রি।

অনন্দ বিহার, আর কে পুরম অমসুং পঞ্জাবী বাঘতা কা হেন্না নুংশিৎ মোৎপগা লোয়ননা লৈচিল-নোংফাই থাংবা থেংনখি।

# ‘সিনেমা হোলশিংদা নেসনল এন্থেম শক্কদবনি’

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

লৈবাক্কী মফম খূদিংমক্তা লৈরিবা সিনেমা হোলশিংদা নেসনল এন্থেম শক্কদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

এপেক্স কোর্টনা পীখিবা য়াথং অমনা হায়খি, সিনেমা হোল খূদিংমক্তা ফিল্ম উৎপা হৌরমদাইদা নেসনল এন্থেম খোংবগা লোয়ননা স্ক্রিন্দা নেসনল ফ্লেগ উৎকদনি। মতমদুদা সিনেমা হোল মনুংদা লৈবা মীপুম খূদিংমক লেপখত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎকদবনি। নেসনল এন্থেম থাদোরকপা মতমদা মপুং ফানা থাদোক্কদবনি। মতেক থরা থারম্লগা লোইশিনবা য়ারোই।



ফিল্ম হৌখ্রবা মতুংদা কন্মর্সলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবগীদমক নেসনল এন্থেম শীজিন্নবা য়ারোই। সেন্টরনা চয়োল অমগী মনুংদা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খূদিংমক্তা য়াথং পীদুনা থৌরাং অসি শোয়দনা লৌখৎনবা হোৎনগদবনি হায়নসু এপেক্স কোর্টনা ফোঙদোকখি।

জষ্টিস দিপক মিস্রা অমসুং জষ্টিস অমিতাব রোইগী বেঞ্চনা হায়খি, নেসনল এন্থেম অমসুং নেসনল ফ্লেগতা মপুং ফানা ঈকায় খুম্নবা উৎপা হায়বসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্কী তৌফম থোকপা মথৌনি। মীয়াম্বু নেসনল আইদেন্টিটি, ইন্তিগ্রিটি অমসুং কন্সটিট্যুসনেল পেট্রিওটিজম মশক খঙহন্নবগীদমক সেন্টরনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খূদিংমক্কী চীফ সেক্রেটরিশিংদা থৌরাং অসি চয়োল ১গী মনুংদা লৌখৎনবা অকনবা ইন্সট্রক্সন পীগদবনি।

গভর্ণমেন্টকী য়াথং ইলেক্ট্রোনিক অমদি প্রিন্ট মিদিয়াদা ফোঙবগা লোয়ননা মপুং ফানা ঙাকপা ঙমহন্নবা মরী লৈনবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী ওথোরিটিশিংনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

শ্যাম নরায়ন চোকসে কৌবা মীওই অমনা থাঙ্গৎলকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল অসি পীখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অসিবু তরাম্না ওক্লদুনা বি জে পিনা হায়খ্রে মদুদি, থৌরাং অসিনা মীপুম খূদিংমক মরৈবাক নীংবগী ৱাখল পোকহনবা ঙম্লগনি।

বি জে পিগী নেসনল সেক্রেটরি শ্রীকান্ত শর্ম্মানা হায়খি, নেসনল এন্থেম অমসুং মচু অহুমগী ফিরালনা লৈবাক অসিদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিং অমত্তা ওইনা পুনশিলহনবা ঙম্লগনি। মতমদুদা ইনি দয়ানা মালেমদা মাঙজিন থাবা লৈবাক অমা শোয়দনা ওইরক্কনি।

বি জে পিগী স্পোক্সপার্সন নলিন কোহলিনা হায়খি, মীপুম খূদিংমক্না তঙাইফদনা ঙাক্লবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা পীরিবা ৱায়েল অসি তরাম্না ওকই। হন্দক মরক নেসনল এন্থেমগী মতাংদা লৈবাক্কী মফম খরদা চয়েৎনবা ৱাফম খরা থোরকখি। সিনেমা হোল খরদা নেসনল এন্থেম খোংলকপা মতমদা মীয়াম্না ফমদুনা লৈথোকপগী মতাংদা মীওই খরনা ৱাকৎলকপা লৈখি। লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙনা য়াথং অমা পীদুনা মীপুম খূদিংমক তঙাইফদবা থৌদাংনি খন্দুনা নেসনল এন্থেম অমদি নেসনল ফ্লেগতা ঈকায় খুম্নবা উৎনবগী মতাংদা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি তরাম্না ওকফম থোকই।

# কাষ্ট্রোগী মথৌ মঙম য়াওরুনবা রাজনাথ সিংহ ক্যুবাদা চৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

লৈখিদ্রবা ক্যুবান রেভল্যুসনরি লীদর ফিদেল কাষ্ট্রোগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপা য়াওরুনবগীদমক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা লূচিংবা ইন্দিয়াগী মীহুৎ কাঙবু অমা হবানাদা থুংখ্রে।

রাজনাথনা লূচিংবা মীওই নিপান্না শাবা মীহুৎ কাঙবু অদুদা য়াওরিবা অতৈ মীওইশিংদি লোক সভাগী দেপ্যুটি স্পিকর এম তম্বীদুরাই, কোংগ্রেস লূচিংবা অনন্দ শর্ম্মা, সী পি আই (এম)গী জেনরেল সেক্রেটরি সিতারাম য়েচুরি, সী পি আইগী সেক্রেটরি দি রাজা, বিজু জনতা দলগী এম পি জিনা হিকাকা, বি জে পিগী এম পি রামেন দেকা অমসুং সমাজৱাদি পার্টিগী এম পি জবেদ অলি খাননি।



ক্যুবাগী কোনুং হবানাদা কাষ্ট্রোগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং পোৎলোইরবা মতুংদা মহাক্কী উৎ অদু পুদুনা নুমিৎ ৪নি চুপ্পা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎকনি। দিসেম্বর ৪দা খা নোংপোক থংবা ক্যুবাগী সেন্তিয়াগো দি ক্যুবা সিটিদা লৈরোন চনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ক্যুবান লীদর ফিদেল কাষ্ট্রোনা নবেম্বর ২৬তা লৈখিদবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লূচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনি।

অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, কুনশুবা চহী চাগী ওইনা খ্বাইদগী শীংথানিংঙাই ওইবা লূচিংবা অমা ওইখিবদা নত্তনা ইন্দিয়াগী অফবা মরুপ অমা মাঙজরে। লূচিংবা অসিনা লৈখিদবদা ক্যুবাগী মীয়াম অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা থম্মোয় শেংনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। অৱাবা তারবা মতম অসিদা ক্যুবাগীদমক ইন্দিয়ানা মতেং পাংনবা থৌরাং তৌরি। মতম অমদা ক্যুবাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অমসুং কম্যুনিষ্ট লূচিংবা ফিদেল কাষ্ট্রো মশাগী চহী ৯০ শুবদা অরোইবা য়াহিপ তানখিবনি।

অমরোমদা, কেরলাগী কম্যুনিষ্ট লূচিংবশিংনা ফিদেল কাষ্ট্রোগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

কেরলাগী মিনিষ্টর ওইরম্বা সী পি আইগী সিনিয়ার লীদর বিনোই বিস্বামনা হায়খি, কুমজা ১৯৮৪দা ফাওরবা রেভল্যুসনরি লূচিংবা কাষ্ট্রোগা হবানাদা উনখিবগী থৌওং অদু ঙসিসু নীংশিংদুনা লৈরি। মালেমগী মফম পূম্নমক্তা কম্যুনিজমগী ঈথিল পীখিবা লূচিংবা অসিনা লৈখিদবা হায়বসি তোল্লা তারবশিংগী অশেংবা মরুপ অমা মাঙজরে হায়না লৌবা য়াই।

ষ্টেটকী ফাইনান্স মিনিষ্টর থোমাস আইসাকনা হায়খি, অহানবদা কম্যুনিষ্ট অমা ওইরকখিদবা কেস্ত্রোনা তুংগী পূন্সিদা অচঙবা কম্যুনিষ্ট অমা ওইরক্তুনা থার্দ ৱার্ল্ড কন্ট্রিশিংদা অনৌবা লম্বী অমা তাকপীরমই।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ভী এস অচুতা-নন্দননা হায়খি, কাষ্ট্রো লৈখিদবনা মালেমগী কম্যুনিষ্ট ঈহৌদা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদসু লেফট পার্টিশিংনা নুমিৎ ৩নি ফিরাল তম্থায় চিংথদুনা ফিদেল কাষ্ট্রো লৈখিদবগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া-মার্ক্সিষ্ট, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া, ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক, রেভল্যুসনরি সোসলিষ্ট পার্টি, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া-মার্ক্সিষ্ট লেনিনিষ্ট (লিবরেসন) য়াওনা তোঙান তোঙানবা লেফট পার্টি ১৮না ইসপ্লানেদ এরিয়দা লৈবা লেনিনগী মিতম খিল্লিবা মফমদগী হৌরগা সেন্ট্রেল কোলকাটাগী রাম লীলা মাইদান ফাওবা অৱাবা ফোঙদোকপগী খোঙচৎ অমা চৎখি।

ক্যুবান কম্যুনিষ্ট লূচিংবা কাষ্ট্রো লৈখিদবগী মতাংদা সী পি আই (এম)গী ষ্টেট সেক্রেটরি সুর্জ্যকান্ত মিস্রানা হায়খি, কাষ্ট্রোনা লৈখিদবা তারবসু মহাক্না পীরম্বা পাউতাকশিংনা মালেমদা অনৌবা য়াওল অমা পুরক্লবা হোৎবদা লেপ্তুনা ঈথিল পীখিগনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ক্যুবান লীশিং কয়ানা হবানাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লৈখিদ্রবা কাষ্ট্রোগী মফমদা অরোইবা ওইনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। হবানাগী রেভল্যুসন স্কৱারদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা গন সেল্যুটসু পীখি।

# লোক সভাগী মীফম পাঙথোকপা য়াখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবগী মায়োক্তা ওপোজিসন্না ৱাফম কয়া পুখৎলক্তুনা চরাংনবা থোকহল্লকপদগী লোক সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে। কোংগ্রেস অমসুং তৃণমুল কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা হাউসতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশামক য়াওহল্লগা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা দিবেট তৌগদবনি হায়না তকশিল্লকপদগী চরাংনবা থোকখি।

স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা ওপোজিসনগী মেম্বরশিংবু ঈংনা-চিক্না লৈবীনবা অমসুং হাউসকী মীফম মওং মরিল তানা পাঙথোকপা য়াহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়জখি। অদুবু ওপোজিসন্না মখা তানা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউরকপগা লোয়ননা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওংবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেস, তৃণমুল কোংগ্রেস, লেফট ফ্রন্ট অমদি রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী মেম্বরশিংনা হন্দক্তা জম্মুদগী কিলোমিটর ১৫ লাপ্পা লৈবা নাগ্রোতাগী আর্মি বেজদা মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথুরকপদা লৈখিদ্রবা আর্মি জৱান অদুগী মফমদা হাউসনা ঈকায় খুম্নবা উৎকদবনি হায়না তকশিল্লকখি। অদুবু হৌজিক হৌজিক নাগ্রোতাদা আর্মিনা কোম্বিং ওপরেসন চথুরিবা মরম্না ওপোজিসনগী ৱাফম অদু মহাজননা অয়াবা পীখিদে। মতাং অদুদা কোংগ্রেস, তৃণমুল কোংগ্রেস, লেফট ফ্রন্ট অমসুং আর জে দিগী মেম্বরশিং হাউসতগী মপান থোকখি। ঙাইহাক লৈরগা ওপোজিসন মেম্বরশিং হাউসতা অমুক চঙলক্তুনা স্পিকরগী পোদিয়ম মনাক্তা লেপখি অমসুং দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা মমুৎ তানা খন্নগদবনি হায়না তকশিনখি।

স্পিকর মহাজননা ওপোজিসনগী মেম্বরশিং থেমজিন্দুনা হাউসকী মীফম মখা তানা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদে। অকোনবদা স্পিকরনা লোক সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি।

লোক সভানা ইনকম টেক্স এক্ট, ১৯৫১ অমসুং ফাইনান্স এক্ট, ২০১৬ এমেন্দ তৌদুনা টেক্সেসন লো (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) বিল পাস তৌবা লৈখ্রবনি। ওপোজিসন্না দিমোনেটাই-জেসনগী মতাংদা চরাংনবা থোকহল্লকখ্রবসু য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা পুখৎলক-খিবা বিল অদু ভোইস ভোটতা পাস তৌখি। দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা বেঙ্কশিংদা থমজিল্লকপা শেনফম পূম্নমক টেক্স লৌনবগী ৱাফম য়াওবা বিল অদু লোক সভাদা হেক পুখৎলকপগা দিবেট তৌদনা মিনিট খরগী মনুংদা পাস তৌখি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই খরনা চৎনখিদ্রবা শেনয়েকশিং অরানবা মওংদা এক্সচেঞ্জ তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপদগী তঙাইফদনা টেক্সেসন লো (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ হাউসতা পুখৎপনি। এক্ট অসিগী মতুং ইন্না অরানবা মওংদা শেল শিন্দোক্লবা হোৎনরম্বা মীওইশিং ফারবদি চাদা ৬০ টেক্স থীহনবগা লোয়ননা পেনাল্টি ওইনা অহেনবা শেনফম খরসু থীহনগনি।

# আর্মিগী হেলিকোপ্টর কায়বদা ওফিসার ৩ শিরে

কোলকাটা, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

লাইবক থীবা থৌদোক অমদা ইন্দিয়ন আর্মিনা শীজিন্নবা হোলিকোপ্টর অমা কায়খ্রে। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শুক্না মনাক্তা থোকখিবা হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক অদুদা আর্মি ওফিসার অহুম শিখিবগা লোয়ননা জুনিয়ার কম্মিসন ওফিসার (জে সী ও) অমা ফীভম থীনা শোকখি হায়রি।

সোর্ছ অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা ইন্দিয়ন আর্মিগী চিতাহ হেলিকোপ্টর অমা শুক্না মিলিটরি কেম্পতা লৈবা হেলিপেদ তম্না পাইরকপদা ইখঙ খঙহৌদনা কায়খি। সিলিগুরি মনাক্তা লৈবা শুক্নাদা ইন্দিয়ন আর্মিগী ৩৩ কোর হেদক্বার্টরস লৈ। আর্মিনা শীজিন্নরিবা হেলিকোপ্টর অমদি এয়রক্রাফট খূদিংমক আর্মি এভিয়েসন কোরনা চলাইবনি। মতৌ করম্না হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্নবগীদমক কোদ ওফ ইনক্বারি চথুরগনি।

হৌখিবা মার্চ থাদসু পঞ্জাবতা ইন্দিয়ন আর্মিগী হেলিকোপ্টর অমা ঝলন্ধর মনাক্তা ইমর্জেন্সী লেন্দিং তৌবদা ওফিসার অনী অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি। পাইলোট অদিত্য বর্মা অমসুং কো-পাইলোট অজিৎতি থোইদোকপা অশোক-অপন নংখিদে।

CAS
Centre for Advanced Studies
No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE (Second Batches)
Morning& Evening Batch
CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.
CLASS X (English, Maths, Science, Social Science & Man)
Special features:
- Special Guest teachers(Council & Board).
- Experienced and Expert Faculties.
- Exam. Oriented Chapterwise Study Materials.
- Weekly and Monthly Test Series.
- Targeted Suggestion for Final Exam.byExperts.
- Vision for toppers.
2nd Batches Revision Course Comencing from 8th Dec, 2016
CLASS X (Foundation Course, 2017-18)
Class Comencing from 15th Dec, 2016
Hostel for BOYS & GIRLS available
For Details contact:- CAS Office
Centre for Advanced Studies
Keishampat Junction,Imphal.
HL-B/3380/12-30Oct.,1-29Nov.,1-11 Dec (Alt)

লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)
উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং
(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খূদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।
(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।
(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।
(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।
(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।
নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু
(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।
(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।
(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।
(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।
HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.
HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-
DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,
HL-B/3341/03/11-02/12